# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


খুৎলাই পায়বা শকখঙদবশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এদিটর থিরম্বগী মায়োক্তা খাবমদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা নুপী লূপশিংগী ৱাকৎ-মীফম



বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিৎ শাহগী পাউতাক মখাদা যুব মোর্চগী নেসনল ওফিস বিয়ার অমদি ষ্টেট ইন-চার্জশিংগী মীফমদা সী এচ চিদানন্দনা নাগালেন্দ ইন-চার্জ ওইনা শরুক যাবা





ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবগী দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টোরি অমসুং মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটি, ইম্ফালনা শীনবা নুমীৎ নীনি চথগদবা মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটিগী ৮ শুবা এন্যুএল সেসন






৩৮শুবা চহী,৩৪৩শুবা মশিং | থাংজ, লমতা ১০নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Saturday, February 28, 2015, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৭১০c | ১৪.৯৬০c |
| চান্দেল | ৩২.৭৫০c | ১৬.৯৮০c |
| সীসীপুর | ২৮.৯৩০c | ১২.৬১০c |
| ইম্ফাল | ২৭.৫৭০c | ১৩.৭২০c |
| সেনাপতি | ২৬.৬১০c | ১২.৬৬০c |
| তমেংলোং | ২৮.৫৪০c | ১৫.৭৮০c |
| থৌবাল | ২৭.২৫০c | ১৪.৩৭০c |
| উখ্রুল | ২০.২৫০c | ১০.৮২০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.২৬এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৮

## বিল ৪ পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ঙসি চত্থখিবা মীফমদা গভর্ণমেন্টনা বিল মরি পুথোকখ্রে। বিলশিং অদুদি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর-৩) বিল ২০১৫, মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর-৪) বিল ২০১৫, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (নম্বর-৬) বিল ২০১৫ অমদি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি (নম্বর-৭) বিল ২০১৫নি।

## হেন্দ গ্রেনেদ থল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা ন্যুরোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ডো. রাজেনগী চীংমৈরোংদা লৈবা য়ুমগী গেটতা শকঙদবশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লক্লে। বোম অদু পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা লৌথোক্লবা তুংদা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯-সী আর পি এফকী ফয়ারিং রেঞ্জতা অশোয়-অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

## থৌবাল কোলেজ

ককচীং, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ থৌবাল কোলেজগী হৌজিক লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মওং তাদ্রে। মরম অদুনা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিজ লাক্তুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংশিনবীনবা থৌবাল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখ্রে। থারিবা মতম অসিগী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## এন্যুএল সেসন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী স্পোন্সর মখাদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবগী দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টোরি অমসুং মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটি, ইম্ফাল অনীনা খুৎশম্ননা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চথগদবা মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটিগী ৮ শুবা এন্যুএল সেসন ঙসিদগী ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কোংবদা হৌদোকখ্রে। সোসিও ইকোনোমিক লাইফ ওফ মণিপুর ১৭৯৮-১৮৯১ হায়বা টোপিক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা ৱার্ক্স এন্দ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ডো. কে ঐচ রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এস ভৈগ্যানা প্রসিদেন্ট অমসুং কে সোবিতা অমদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডো. এস ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 69.449880 |
| US Dollar | 61.821269 |
| British Pound | 95.294435 |
| Australian Dollar | 48.374732 |
| Chinese Yuan | 9.858139 |
| Japanese Yen | 0.518019 |
| Malaysian Ringgit | 17.120263 |
| Nepalese Rupee | 0.618213 |
| Russian Ruble | 1.007598 |
| Singapore Dollar | 45.489874 |
| South Korean Won | 0.056316 |
| Bangladesh Taka | 0.79479 |
| Myanmar Kyat | 0.05962 |
| Thailand Baht | 1.912503 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 27050 |
| Delhi | – | Rs 27010 |
| Kolkata | – | Rs 27070 |
| Mumbai | – | Rs 27000 |

### অস! লোইরেহে!

স্কুল তৌরগা শেল পায়হৌগে তৌবনি, য়েংশিল্লকপসিনা...!





চুম্মী সার, লৈঙাক্লসু য়েংশিল্লি...!

বোর্দিংদা চহী নৌরিবা অঙাং ওৎ-নৈবগী থৌদোক

# মহৈরোয় ১ ফুরগা বোড়াখাউদা হাঞ্জিল্লগা অহিং চুপ্পা লাক্নরক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ য়ুমদা বোর্দিং চলাইবা নুপী অমনা মহাক্কী ইমুংদগী শেনফম খরা মাঙই হায়বগী ৱাহৌদা বোর্দিংদা লৈবা ইমা মেধাবতি পব্লিক স্কুলদা নর্সরি তল্লিবা চহী ৯গী মহৈরোয় নুপামচা অমা ফুবতা নত্তনা অহিং চুপ্পা বোড়াখাউ মনুংদা হাপচিল্লগা থল্লক্লে। থৌদোক অসি অঙাং অদুনা বোর্দিং অদুদগী ঙসি চেন্থোরক্লবা তুংদা খঙলকখিবনি।

বোর্দিং চলাইরিবা নুপী অসিগী মমিং হাওবিজম সুরজবলা (৪০) মপুরোইবা ঐচ জয় কৌই। মহাক্কী বোর্দিং অসি ইরোইশেম্বদা লৈবা জুগী মায়োক্লবদা লৈবা মশামক্কী য়ুমদা চলাইবনি। হাওবিজম সুরজবলানা ফুবদগী চহী ৯গী মহৈরোয় অদুগী মনঙ্গনদা ঙসি ফাওবা চৈফম তাদুনা লৈরমখি। চৈফম তানা শোক্লবা অঙাং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা মফম অমদগীনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দেসামগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহৈরোয় লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী অহৈবম আনন্দনা হায়খি, ইমা মেধাবতি পব্লিক স্কুলদা এদমিনিষ্ট্রেটর ওই হায়না মশানা হায়জবা হাওবিজম সুরজবলানা চহী ৯গী মহৈরোয় অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬ কী অয়ুক্তগী ফুবা হৌখি। শোক্লবা অঙাং অসিনা তক্লকপগী মতুং ইন্না চৈফম তানা ফুদ্রিবঙৈগী মমাংদা মশাদা ঈশিং ফাওবা হৈখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। নুমিৎ অসিমক্তদা হাওবিজম সুরজবলানা অঙাং অসি ফুবগী মথক্তা মহাক্কী মচানুপা চহী ১৩ অমদি ১১ রোম শুরবা অঙাং অনীনসু চহী ৯ গী মহৈরোয় অদু ফুখি হায়বা খঙলে।

চহী ৯গী মহৈরোয় ফুই হায়রিবা হাওবিজম সুরজবলাদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, ফেব্রুৱারী ২৬তা মহাক্কী য়ুমদা শেম্ফু অমদা হাপ্পা শেলশিং মাঙবদগী অঙাং অসিনা লৌথোকপ্রা হায়বা খঙদোক্ল বগীদমক মহাকপু ফুবনি। মহাকপু ফুবদা লুপা ৩০০ রোম



লৌথোকই হায়না খুল্লকখি। মদুদগী শেনফম অদু লুপা ৮০০ রোম ওইবনা শেংনা হায়দে খনবদগী মহাকপু বোড়া মনুংদা চঙহল্লগা কম্পোরনা য়োমশিল্লগা ইংদনবা লৈহনবনি। মহাক্না লৌথোকখ্রে হায়রিবা শেনফম অদুসু কনাদা পীখ্রবগে হায়বা মহৈরোয় অদুনা হায়দোকউ য়াদে হায়না ফোঙদোরকখি। মখা লামায় ৩ কলম ২

করি মরমগীদমক লামৈ থাবা থিংবা ঙমদ্রিবনো : জয়কিষণ

# লামৈ থাবা থিংবদা এস এফশিংনসু মতেং পাঙফম থোকই : দেবেন্দ্র

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা পাকশন্না লামৈ থাবা অমদি লন্নাই মীওইনা হৈকোল-লৈকোল শেমগৎপগী থবক চত্থবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা থিংবা ঙমদবগী মরম করিগীনো হায়না ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণনা কোলিং এটেন্সন মোসন অমা পুখৎতুনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিনখ্রে।

*নোংমাইচীং রিজার্ব ফোরেষ্টকী চীংমায় খায়বোক ১ মৈ চাকখ্রে* হায়না থা অসিগী ৯দা ফোঙখিবা পাউচে অসিগী পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা এম এল এ জয়কিষণনা পুখৎলকপা কোলিং এটেন্সন মোসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থৌদাম দেবেন্দ্রনা হায়খি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী সেঙ্কসন পোষ্ট ১২১০ লৈবগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক ইমপ্লোয়ী ৭৭৬না দিপার্টমেন্ট অসি পুরি।

ইমপ্লোয়ী ৪২৩ ৱাৎনা লৈরিঙৈদা চাউরবা রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়া পুম্নমক ইমপ্লোয়ী খরখক্লা মীৎয়েং চঙবা হায়বসি অরুবা অমনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তঙাইফদনা ফোরেষ্ট গার্দ খরা লৌদবা য়াদবগী ফীভম লাকপদগী চীফ মিনিষ্টরগা তানদুনা করি তৌবা





যাবগে হায়বা য়েংশিল্লি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্স খুদিংমক্লসু লামৈ থাবা থিংনবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

উমং কনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। হৌজিক্কী মতমদা গ্লোবেল ৱার্মিংগী ৱাফমসু ফোঙ-ফোঙ শানা লৈরিবনি। অসিগুম্বা তানফমদা নোংমাইচীং চীংদা উমং মাঙহনবা থিংনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা মীৎয়েং চঙলি। উমং মাঙহনবদা চেন্নবা মীওই কয়া ফাখিবসু য়াওখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনসু উমং কোকথোকপা থিংনবা রুলিং পীরকখিবা লৈখি। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্লা উমং কোকথোকপা থিংনবগীদমক থবক লৌখৎমিন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

কোলিং এটেন্সন মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ জয়কিষণনা হায়খি, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ফোরেষ্ট গার্দশিং য়াওনা ষ্টাফ মশীং ৱাৎপনা উমং কন্নবা য়েংশিনবা ঙমদ্রে হায়বসি অচুম্বরা, নোংমাইচীং চীংদা উমং কোকথোক্লগা লন্নাই মীওই খরনা লৈকোল শেম্বসু য়াওরে। আইন্না য়াদবা থবক তৌরিবশিং থিংনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা করি করি থবক লৌখৎলিবগে হায়বা খঙনিংই।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা ঈশিং ফংখিদবগী তানফম অমদা মিনিষ্টর অমনা নোংতারক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। মিনিষ্টরনা হায়খিবদু নোংজু থা য়ৌরক্লবনিনা নোং চুরক্লগনি হায়বগী ৱাখল্লোননি। উমংশিং পাকশন্না কোকথোক্লক্লবদি মহৌশাগী খল কায়রক্তুনা নোংজু থা য়ৌরগা নোং চুরক্লগনি হায়না লৌনরম্বা ৱাখল্লোন অদু চুক্লক্তবা য়াই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, নোংমাইচীং চীংদা উমং কোকথোকপা ঐখোয় পুম্নমক্লা উবা ফংলে। মনাক্তসু লৈকোল অমা শেমগৎপসু লৈরে। উমং য়োকখৎপগী তঙাইফদবসি ঐখোয় পুম্নমক্লা খঙমিন্নরগা উমং কন্নবগীদমক অৱাৎপা ষ্টাফ হাপ্পা মথৌ তাই।

# ‘লুপা ক্রোর ১০ হেন্না থাদরবসু ক্রোর ১দগী হেন্না হীদাক ফংদে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্ট ভেটরিনরি দিপার্টমেন্টতা আর কে ভী ৱাই এসিষ্টেন্স টু ষ্টেট ফোর কন্ট্রোল ওফ এনিমেল দিজিজগী মখাদা চহী খুদিংগী লুপা ক্রোর ১০দগী ২০ ফাওবা শা-ষণগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগীদমক হীদাক-লাংথক লৈনবা শেল থাদরসু দিষ্ট্রিক্টশিংদা ক্রোর ১দগী হেন্না হীদাক ফংদে হায়না ইন্দিজেনস পিপলস এসোসিএসন ফোর কংলৈপাক্কী চ্যেরমেন সাপমচা যদুমণিনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা ঙসি উনবদা মহাক্না হায়খি, হয়েং থবক্তগী পোত্থারগদবা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর সাইদোখুম জৌতেনা এম এস ননাওবা ইন্টরপ্রাইজেস-কোংপাল চনম লৈকায়দগী তোঙান তোঙানবা মখলগী হীদাক-লাংথক কয়ামরুম লৈখিবগী রিপোর্ট লৈ।

নাকল অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিনরি ওফিসশিংদা হীদাক-লাংথক খরখক্তমক পী। মসিনা তাক্লিবদি দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরনা য়াম্লবা শেনফমশিং হৈনথোক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে।

শা-ষণগীনি হায়না থাদরকপা শেনয়ামশিং অসিবু মফম-মরাঙ খঙহন্দনা লন্নাই মীওই কয়াগী ফুরিৎখাউদা চঙবগী মওং তৌরিবসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা থম্মোয় শেংনা মীৎয়েং চঙবীনবা সাপমচা যদুমণিনা আপিল তৌরক্লি।

# সী সী টি ভী কেমেরাশিং থবক হৌহন্নবা হোৎনরি : গাইখাঙম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা য়াম্না তোয়না বোম পোকখায়বগী থৌদোক হেনগৎলক্লিবসিগী মতাংদা ওপোজিসন এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং করাম শ্যাম অনীনা পুখৎলকপা কোলিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙমনা সহর মনুংদা খিল্লিবা সী সী টি ভী কেমেরাশিং থবক হৌহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ শ্যামকুমারনা হায়খি, ষ্টেটসিদা সিক্যুরিটিগী মতাংদা য়েংশিল্লি হায়রবসু বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। থা খরসিদা মণিপুরদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক ২৯ থোকখ্রে। কসোম খুলেন





দা বোম পোকখায়দুনা মীশি-মীনা, অশোক-অপন থোকপা লৈখ্রে। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং ইচং-চংদবগুম তৌরি। ষ্টেটসিদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লিবসি হোম দিপার্টমেন্ট ফেল ওইবদগীরা হায়নসু হংখি।

ইম্ফালগী মসজিদ রোদতা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমসু হন্দক্তা থোকখি। বোম লৈরে হায়রবদি মী চেন্থোক্লরিবনি। অদুগা করিগীদমক বোমগী মরমদা খঙবসু নত্তনা পুলিস পর্সনেল অদুনা বোম অদু থাঙ্গৎলুরিবা করিগীনো হায়নসু মহাক্না হংখি।


খ্বাইরম্বন্দগী অকোয়বদা সী সী টি ভী কেমেরা খিল্লগা মথৌদি তৌদে। গভর্ণমেন্টনা থবক পায়খৎপা ঙম্লোইদবা লৈরবদি প্রাইভেট কম্পনিদা শিন্নবসু য়ারবনি। থৌশীল অমগী মখাদা দুকান ফম্লিবশিংনসু মখোয় মখোয়গী দুকানগী মমাঙদা সী সী টি ভী কেমেরা খিলহনবা ফগনি।

মোসন অদু পুখৎপদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়খি, ষ্টেটসিদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অয়াম্বা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙমদে। মসি ষ্টেটকী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ওজাশিংগী রেস্নেলাইজেসন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিরেক্টর (এস)কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা হৌখিবা চহী ২০১৪দা রেস্নেলাই-জেসনগী থোকখিবা য়াথং অদু দিরেক্টর অমসুং দিপ্যুটি সেক্রেটরিনা কাংখোং চাইহল্লে অমসুং ফাগি তাহল্লে হায়না থিয়াম কোঞ্জিন জুনিয়ার হায় স্কুলগী স্কুল মেনেজিং কমিটিগী কনভিনর অমসুং চ্যেরপর্সননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। থিয়াম কোঞ্জিন জুনিয়ার হায় স্কুলদা ওজা ১০ নৌনা পোষ্টিং থারকখি। ইকুই-কুইদনা ওজা ১০ অদুগী মনুংদা তরুক অতোপ্পা স্কুলশিংদা য়ুটিলাইজেসন তৌখ্রে। ওজা অমনা জোইন তৌদ্রিঙৈদা য়ুটিলাইজেসন ওর্দর হান্না থোকখ্রে।

# মহৈরোয়শিংগী খোঙজংদগী লম্বী শেম্নবা নুঙ থাবা হৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) ঃ মতম কয়াদগী শেম্বীদ্রবা দি এম কোলেজ কেম্পসকী লম্বীশিং শেম্বীয়ু হায়দুনা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি এদ্যুকেসন ইঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ওফিসকী পোৎলম য়ৈখাই-থিনগাইরকপদগী এদ্যুকেসন (য়ু) গী ওফিসলশিং লাক্তুনা লম্বী শেম্বা হৌনবা নুঙ থাবা হৌখ্রে।

লম্বী শেম্বীদবগী মায়োক্তা খোয়শাউনরবা মহৈরোয়শিংনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা লম্বী শেমগদবনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টদা থাখিবা মতমগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক লৌখৎলক্তবদগী কোলেজগী কেম্পসতা লৈরম্বা গাড়ী মরি থুগাইখি। মদুগী মথক্তা এদ্যুকেসন ইঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী ওফিসতা লৈবা কম্প্যুটর অনী, প্রিন্টর অনী, ওফিসকী মরুওইবা চে-চাংশিং অমদি উপু মঙারোম থুগাইরমখি।

মহৈরোয়শিংনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা গাড়ীশিংগী মনুংদা মারুটি অল্টো (এম এন ০৩ পি-০৮৮৭), মারুটি ৮০০ (এম এন ১ কে-২৯২৫) অমসুং ইয়ুভা (এম এন ০১ দব্লিয়ু-৬০৬১) নি। গাড়ী অহুমমক মমাঙ অমদি মনিংগী ৱিন সিল্ড কায়খি। মারুটি অল্টো (এম এন ০৩ পি-০৮৮৭) অদুদি কাংখোঙ মরিমক নুংশিৎ থাদোক্লমখি।

তাঞ্জা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মশিং য়াম্লবা পুলিস কাঙবুশিং চঙশিন্নরক্তুনা ঈরাং লাকশিনখি। চৈরক অদুদা এদ্যুকেসন (য়ু) গী দিরেক্টর, জোইন্ট দিরেক্টর, পি দব্লিয়ু দিগী...মখা লামায় ৩ কলম ১

# মীৎতাংবা শারগা নুপীগী অচিৎ-অকোম য়েংলম্বা মীওই অমা ফারগা মরু কোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ মমীৎ অনীমক উদ্রবা মীওই শারগা অমুবা সনগ্লাস উপ্লগা নুপীগী অচিৎ-অকোম য়েংলম্বা নুপা অমা ককচীং কৈথেলদগী মীয়াম্না ফারগা নীংথিজনা ৱারক-ৱাতেম তৌরবা তুংদা মরু কোকথোক্লগা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী থৌমীশিংদা খুশিন্নরকখ্রে।

এম এস এফ ময়াই লোয়শঙদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইবম বিদ্যরাজনা হায়খি, মীয়াম্না ফারগা শিন্নরক্লবা নুপা অদু সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াং লাংজিং তানিং ময়াই লৈকায়দগী ঙাঙোম শান্তিকুমার এলিয়স খোংনাংথাবা (৩১) কৌই। মহাক উবগী চাং ৱাৎলি।

মহাক্না হায়খি, ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ককচীং কৈথেল মরক্তা চঙদুনা মহাক্না পোৎ য়োল্লিবী



নুপীশিংগী অচিৎ-অকোম য়েংলম্বদা নত্তনা শেল নিরম্বদগী মীয়াম্না ফারগা মরু কোকথোক্তুনা শিন্নরকপনি।

হায়রিবা মীওই অসি তোঙান তোঙানবা মফমদা শেল খোম্বদা নত্তনা নুপীগী খুবাক ময়ি য়েংবদা ৱাথোক কয়া থোকপসু লৈখ্রে। মঙোন্দা মমীৎ তাঙলে হায়না ডোক্টরনা পীবা সার্টিফিকেট পায়রম্বদা এম এস এফনা অঙকপা পোকই। মঙোন্দা মীৎ তাঙবগী সার্টিফিকেট পীরিবা ডোক্টর অদুগী থৌওং অদুবুসু এম এস এফনা পেন্দবা ফোঙদোকখি। লম্বী-লমখাংদা মীওই অসিনা শেল নিবদা নৎত্রগা শেল খায়রম্বদা পীবিগনু, মঙোন্দগী চেকশিনবীয়ু হায়রি।

এম এস এফকী থৌমীশিংনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা লৌবা লাক্লবা পাউ পীরবসু কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লৌবা লাকখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক পুলিসতা শিন্নরগনি।

অমরোমদা, শান্তিকুমার হান্না ৱাংজিং অমসুং ময়াংলাংজিংদগী নুপী অনী লৌদুনা ময়ুমদা থল্লম্মী। অদুবু নুপী অনী অদু থা ৬ ফানা ময়ুমদা লৈখিদে। শান্তিকুমারনা মহাক্কী মীৎনা পোৎশক অমা শেংনা উবা ঙমদে হায়খি। শান্তিকুমারগী মরমচৎ চুমদবা থৌওং অদু দিসএবল দিবেলপমেন্ট এসোসি-এসন মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# লাখ ৮৩ লৌথোকখিবা প্রিন্সিপালদা শেল শিংগৎনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস)ঃ ষ্টেট ভিজিলেন্স কমিসন্না কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা থবকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ভিজিলেন্স কমিসনগী রিপোর্ট ঙসি চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিদা ওফিসল ১১ চেন্নবা ইনক্বাইরি কেস মরি, এফ আই আর কেস মঙাদা ওন্থোক্লে হায়না পল্লি। খুদম-চাংদম ফংদবনা থুপচিনখিবা কেস ৪২ য়াওরগা পুন্না কেস ৫৮ লোইশিনখ্রে। ওফিসল নিপান্দগী লুপা লাখ ৬৯ হেনবগী শেনফম অমসুং কোলেজ প্রিন্সিপাল অমদগী লুপা লাখ ৮৩ রোমগী শেনফম লৌখৎনবা কমিসন অসিনা রিকোমেন্দ তৌখ্রে।

চহী অসিদা কমিসন অসিনা পুন্না কেস ২৩৯ লৌখৎখিবগী মনুংদা ৫৮ লোইশিনবা ঙমখ্রে। হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা কেস ২৭৭ লোইশিন্দনা লৈহৌরি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মণিপুর পব্লিক সার্ভেন্ট লাইএবিলিটি এক্ট ২০০৬কী মখাদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদগী শেনফম কয়া লৌখৎনবগা মরী লৈননা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা কেস লৌখৎখি। হৌখিবা দিসেম্বর ২ ফাওবদা ওফিসলশিং অদুদগী পুন্না লুপা ২০,১১,২৯২ লৌখৎখি অমসুং গভর্ণমেন্ট একাউন্টতা দিপোজিট তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টকী শেল কায়থোক্লগা মরন্নাই শীজিন্নরম্বা ওফিসলশিং অদুদি রাইস ব্রিদর ৱাংবল ও ইবোমচা অমসুং টি ও থৌবাল টি রাজেন, দি এ ও থৌবাল টি অঙৌবা অমসুং টি ও থৌবাল ৱাই রাজেন, টি দি ও খরুংপাৎ পি অঙৌবা অমসুং এস টি ও ককচীং এল ইবোমচা, দি এ ও উখ্রুল লুইজ ঙসাইনাও, উখ্রুলগী টি ও কে ঙাজেক্লে অমসুং এ টি ও উখ্রুল এ এস ৱোতিন্না, টি এ ও বিষ্ণুপুর এন বিনাবোন অমসুং টি ও

### ভিজিলেন্স কমিসন রিপোর্ট

বিষ্ণুপুর কে এস ঐচ ইমোকান্ত, তমেংলোং টি ও এস নবকুমার অমসুং টি এ ও তমেংলোং টি কে সিমতে অমসুং দি টি ও (এফ টি সী) ৱাই ঈশ্বরচন্দ্র অমসুং টি ও লম্ফেল এল বাদলনি হায়রি।

অতোপ্পা কেস অমদা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দিরেক্টর (প্লানিং) পি ঐচ বিজেনকুমার শর্মাগী সুপরভিজন মখাদা লৈবা পেসেঞ্জর রিজার্বেসন সিষ্টেম, ইম্ফাল অমসুং চুড়াচান্দপুর সেন্টরদগী ষ্টাফ নিপান্না রেলৱে টিকেট য়োনখিবগী কারকপা লুপা ৬৯,৮২,৮২৪ লান্না শীজিন্নথোকখি। মরম অদুনা ওফিসলশিং অমসুং দিপ্যুটি দিরেক্টরদগী শেনফমশিং অদু রিকোভর তৌনবা ইনক্বাইরি রিপোর্ট অদু হায় পৱার কমিটিদা থাগৎনা রিকোমেন্দ তৌখি হায়রি।

মসিদসু নত্তনা ভিজিলেন্স কেস নম্বর ১০/এস পি-ভী/২০১৩গী মখাদা ইনক্বাইরি চত্থবদা লিলোং হাওরৈবী কোলেজকী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা খলিলুর রহমননা লুপা ৮৩,৩২,৬৮৫ লান্না শীজিন্নরম্বা থেংনখি। শেনফম অদু য়ু জি সী, নোর্থ ইষ্ট রিজন ওফিস গুৱাহাতিনা কোলেজ অসিগীদমক কুমজা ২০০৬তগী ২০১২ ফাওবগী মনুংদা মহৈরোয়শিংগী স্কোলরশিপ পীনবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা, গেমস এন্দ স্পোর্টস...মখা লামায় ৩ কলম ২






HL-B/2273/27, 28 Feb 1, 2, 3 Mar